

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 01, 2018 **PAGE 7**


*মসল শোকপনা মরম ওইরগা মতম খরা শান্নবা য়াওররোইদৌরিবা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরিবা চিলি মচা এলেক্সিস সঞ্চেজ*

*ইন্টরনেসনেল সুটিং স্পোর্ট ফেদরেসননা পীবা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা 'ব্লু ক্রোস' ফংখ্রবা ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সুটর অভিনাভ বিন্দ্রা*



## মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে, ইংলেন্দ অমসুং চাইনা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং আয়রলেন্দগী শান্নরোই অনীনা বোল ফংননবা হোৎনবা*

*ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষানা য়ুম্বু ওইরগা ভুবনেশ্বরদা চৎখরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে, ইংলেন্দ অমসুং চাইনা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল (বি) গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা আয়রলেন্দবু ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ব্লেক গোভর্সনা শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা শোখদুনা লৈরিবা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ১৩শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা সেন ও'দোনোঘুনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখ্ববসু আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনদনা ১–১ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথখিবা এটেক অমদা টিম ব্রান্দনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চল্লগা আয়রলেন্দবু ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৬ রোমগী মতম অদুদা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়বু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি।

মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'বি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দ অমসুং চাইনা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেটচকী ৫শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গৌ জিয়াওপিংনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ইংলেন্দগী ঙন্না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মতম খরা লৈরবা মতুং ১৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মার্ক গ্লেঘোর্ননা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লিয়াম সানফোর্দনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট অমা ৱাৎলিঙৈদা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টালাকে দুনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু টিম অনীমক ২–২ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## বেঙ্গালুরুনা পুনেবু ২–১ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি



*বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি (য়েৎ) না হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা*

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফসিনা এফসি পুনে সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংদুনা লৈবা ঙল্লি।

বেঙ্গালুরু এফসিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা শ্রী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা এফসি পুনে সিটিনা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ অদু হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা উদান্ত সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোই রাহুল ভেকেনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই পর্টালুনা পীরকপা পাস অমা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা নাম্থোকখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাহুল ভেকেনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এফসি পুনে সিটিবু ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ২২ ফংদুনা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙল্লি।

## নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ভির সিংহনা স্কিট ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রে



*জয়পুর, নবেম্বর ৩০ঃ*

রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা চথরিবা ৬২শুবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা অঙ্গাদ ভির সিংহ বাজৱানা নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

জয়পুরদা লৈবা জেদিএ সুটিং রেঞ্জদা চথরিবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী স্কিট ইভেন্টকী ফাইনেলদা অঙ্গাদ ভির সিংহ বজৱানা পোইন্ট ৫৫ ফংলবা মতুং পোইন্ট মান্নখিবদগী মাইরাজ অহমদ খানগা টাই ব্রেক তৌবদা পোইন্ট ৮–৭ দা হেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই অঙ্গাদ ভির সিংহ বজৱানা চহী অসিদা ক্লেটতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা পোইন্ট ৬০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৬০ ফংদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্নবা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী স্কিট ইভেন্ট অসিদা মাইরাজ অহমদ খাননা পোইন্ট ৫৫ ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা অমরিন্দর সিংহ চিমানা পোইন্ট ৪৫ দা লৌখি।

স্কিট ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র কেটেগোরিদা গুর্নিহাল সিংহ গারচানা পোইন্ট ৫৬ দা গোল্ড মেডল ফংখি। সিলভর মেডলনা অভে সিংহ সেখোননা পোইন্ট ৫৫ দা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কর্ন ভিক্রম সিংহনা পোইন্ট ৩৯ দা ফংখি।

চথরিবা ৬৫শুবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী স্কিট ইভেন্টকী ভেটরান কেটেগোরিদা গুষ্টি নোরিয়ানা পোইন্ট ১১০ ফংবা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ভেটরান কেটেগোরি অসিগী সিলভর মেডল অদুনা রাজাগোপাল টোন্দাইমাননা পোইন্ট ১০৯ দা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা দি.পি. সাভ্য সচিনা পোইন্ট ১০৪ দা ফংবা ঙমখি।

## 'এম সি মেরি কোমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা, পৃথিবীগী মীয়ামদা নিহন্নীংবা বর অমত্তংদি লৈরি'

### এল. কালা, উরিপোক

ইন্দিয়াগী শান্নবগী খোঙচৎতা অপুনবা ইন্দিয়া অমা শেম্লিবা ষ্টেট অমসুং টেরেটোরিশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মণিপুর ইন্দিয়াগী কদৱাই মফমদা লৈবগে হায়বসি খঙনবা ৱাৎলবসু শান্নবগী লমদা চেনলি চোংলিবা ইন্দিয়ানশিংনদি মণিপুর মমিং তাদবা লৈরম্লোই। লোয়না –লোয়ননা পৃথিবীগী ওইনা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা মশান্নশিংগী বোদিশিংনসু মণিপুর ইন্দিয়াদা লৈবা লমদম অমনি হায়না খঙদবা লৈরম্লোই। ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতি, ফিফা, ইন্টরনেসনেল হোক্কি ফেদরেসন, ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন, অতৈ ইন্টরনেসনেলগী ওইবা বোদি কয়ানা পাঙথোক্লিবা অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শান্নবা য়াওরি। শান্নরোইশিং অসিগী পারী পুরি হৌরকফম পূম্নমক য়াম্না কুপ্না কুপ্না রেকোর্দ তৌশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী অমা লৈরি। হন্দক্তা ইন্দিয়াগী কোনুং নিয়ু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রবা এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা পুৱারী শেমখিবা এম সি মেরি কোম কদাইৱাইদগীনো হায়না হংনরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী মণিপুর কৌবা লমদমদগীনি হায়বসি খঙদবা লৈরোই লোয়ননা রেকোর্দ তৌশিন্দুনা থমখ্রবনি। মসিমক্তি হৌজিক হৌজিক ওরিষাদা চথরিবা মেন্স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদসু য়াওরিবা শান্নরোইশিংসি লোয়নমক রেকোর্দ তৌদুনা থম্লিবনি তুংদা লাক্কদবা মীরোগীদমক। পীক্লবসু পীক্লা মণিপুর শান্ন–খোৎনবগী লমদদি ঈশ্বরনা পীথোরকপা য়াওনা পোকহল্লকখিবা লমদমসিগী মচাশিংনি হায়বদা লাল্লোই। মীশিং য়ামখ্রবা ষ্টেটশিংগী ইন্দিয়াসিদা মীশিং য়ামজদবা লমদমসিগী শান্নরোইশিংনা মশান্না অয়াম্বদা তপ্ন–তপ্না মাঙজিল থাদুনা চঙশিল্লক্লি, হেন্দুনসু চৎলি মসিমক্তা হান্নদি য়াম্না মীরাইবিরম্বা ষ্টেট মণিপুর হৌজিক্তি মীরাইবা য়াদবা ষ্টেট মণিপুরনি হায়না খন্নরকপা হৌবগী লম্বীরোমদসু চঙশিল্লকপগুম তৌরি অদুবু মীশিং য়ামজদবা অচৌবা চীং, পাৎ, তুরেল লৈতবা মফমদা চাওরকপনরা করিনো খঙদে লমদমসিদা খঙ–হৈরে হায়না লৈরিবশিংনা মণিপুর ৱাংমা লান্না থোরক্লবকান্দা থেংনরমদবা উরমদবা খঙলমদবা কয়া উবদা ইপা পাখৎপনরা নৎত্রগা মগুন ৱাৎপনরা নৎত্রগা মপুং ফানা খঙবা য়ৌদবনরা করিনো করিনো অমদি তৌবগুম তৌরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খুদোংচাবা ফংলবা মতমদা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদবা হৈতবদৌনা তৌরি অদুগীসু মথক্তা পুকচেল শেংবা কৎথোকপা ঙম্বগী শক্তিসু ৱাৎপগুম তৌরি। ইন্দিয়া খক্তুনা পীবা নৎতবা পৃথিবী পূম্নমক্না মেরি কোমদা পীবা য়াবা মনা মথুম ইকাই খুম্নবা বেব্যহার কয়া হেক লৈবমখে পীরি, মেরি কোমদা পৃথিবীগী মীয়াম্না পীনিংঙাই লৈত্রে হায়বা য়ারে হায়বা মতাংসি লৌরগা মেরি কোমদা হাইনিংবা অমদি লৈরি মদুদি মেরি কোম মশানা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা, পৃথিবী মীয়ামদা নিহন্নীংবা বর অমা লৈরি মদুদি মেরি কোম লমদমসিদা পোকপনি লমদমসিদা চাওরকখিবা। হৌরকখিবা অমা ওইনা শান্নবা পামজবা লমদমসিগীদমক ৱার্ল্ড ক্লাসকী শান্নবা য়াবা বোক্সিং এরেনা অমত্তং লমদমসিদা থম্বীয়ু লোয়ননা পৃথিবীগী ওইনা পাঙথোকপা অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়াগী ভেনিউ ওইহনবীয়ু হায়বা বর অসি নিহন্নীংই। ভেনিউ ওইবা ফংদুনা পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা শান্নরোই কয়ানা শান্নবা লমদমসিগী মীয়াম্না অমদি শান্নরোইশিংনা হকথেংননা উবা ফংলবদি মেরি কোম পোকপগী মহৈ য়াল্লবসিগী মথক্তা অহল লমন্না হায়নবা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বা মপোক্তু ওইরগনি। মতাং স্বাইদা হায়নিংবদি লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং লৈঙাক থৌবুরেলশিংসু মঙাইরে অখঙ অহৈ ময়ামসু মঙাইরে মেরি কোমদা, দিস্কুদা, দেবেন্দ্রোদা, সুরেসতা চান্নবা মিং খরা থোল্লগা, পৈশা খরা পীরগা চাওথোকচনিংঙাইনি আ–অদুনি অদানি খরা ঙাঙলগা অদুমক পেন্থোক্তুনা লৈরি। তশেংবমক তুংগী মীরোলগীদমক শান্নবগী করিগুম্বা অহেনবা অমত্তংদি মশক থোক্না তৌরমগে খন্না পূক্নিং ৱাখল চেৎনা খুৎতুম তাশিন্দুনা অঙম তানবগী থবক্তি অমত্তা পাঙথোক্ত্রি। ইন্টরনেসনেল কম্পিট তৌবা ঙম্বা শান্নরোই কয়া অমা থোরক্লিবা লমদমসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা য়াবা শান্নবুং অমত্তা শাবীদে লোয়ননা অচৌবা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবসু হোৎনবিদে। খঙলিবসি কদাইদনো হোৎনরিবসি কমদৌননো লৈঙাকসিনা তৌরিবসি করিনো–?

## রেষ্টলর বজরং পুনিয়া, ভিনেস ফোগট অমসুং পুজা ধান্দা এ গ্রেদ ফংখ্রে

*গোন্দা(য়ুপি), নবেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টার রেষ্টলর বজরং পুনিয়া য়াওনা ভিনেস ফোগট অমসুং পুজা ধান্দিয়া রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এ গ্রেদ পীখ্রে।


পনবা য়াই ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়া ভিনেস ফোগট চহী অসিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমসতা মখোয়–মখোয়গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি। অদুগা এ গ্রেদ ফংবদা য়াওরিবী পুজা ধান্দানা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা নুপী রেষ্টলর ওইনা মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

এ গ্রেদ ফংখ্রবা রেষ্টলরশিং অসিনা মখোয়গী শান্নবদা মতেং পাঙনবগীদমক শেলগী সস্পোর্ট ওইনা লুপা লাখ ৩০ ফংগদৌরি।

বি গ্রেদ ফংবা ঙমখ্রবা রেষ্টলরশিংগী মনুংদা ওলিম্পিক্সকী অনীরক মেডল ফংবা ঙমখ্রবা নুপা রেষ্টলর সুসিল কুমার অমসুং সাক্সি মালিক য়াওরি। মখোয়না শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ২০ গী সস্পোর্ট ফংগনি।

গ্রেদ লাওথোকপা অসি রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ভুষন সারন সিংহনা উত্তর প্রদেসকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্য নাথকা য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

## ইয়ুএফএ য়ুরোপা লীগতা ইংলেন্দগী ক্লব অনী চেলসি অমসুং আর্সনেল মায় পাকখ্রে পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সিপিনা অজরবাইজানগী কারাবাকপু পাঞ্জল ৬–১ দা থোইখ্রে



*চেলসিগী ওলিভিয়র জিরোদ (য়েৎতগী ২শুবা) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*লন্দন, নবেম্বর ৩০ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকখিবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ইয়ুএফএ য়ুরোপা লীগতা ইংলেন্দগী ক্লব অনী চেলসি অমসুং আর্সনেল মায় পাকখ্রে। পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিনা অজরবাইজানগী ক্লব কারাবাক এফকেবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এল' গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা গ্রিসকী ক্লব পিএওকেবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি। চেলসিগী টিম মাঙজৌননা রাউন্দ ওফ ৩২ য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না টিম অনীগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাক্লবা মতুং মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই ওলিভিয়র জিরোদনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ওলিভিয়র জিরোদনা ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা চেলসিনা পিএওকেবু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা চেলসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কাল্লুম হদসন ওদোইনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা অলভারো মোরাটানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু চেলসিনা পিএওকেবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোরস্কলা পোল্টাভাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইমিলে স্মিথ রোৱেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু আরোন রামসেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভোরস্কলা পোল্টাভাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা আর্সনেলগী অতোপ্পা শান্নরোই জোসেফ ৱিল্লোকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহেনবা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা য়ুক্রেনগী ক্লব ভোরস্কলা পোল্টাভাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিনা অজরবাইজানগী ক্লব কারাবাক এফকেবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসিদা স্পোর্টিং সিপিগী শান্নরোই ব্রুনো ফর্নান্দেজ অমসুং অবদৌলায়ে দিয়াবিনা পাঞ্জল ২ / ২ চনবা ঙমখি।